হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, ওক্টোবর ২৩, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ২০৪শুবা মশীং

# ꯌꯥꯔꯣꯏꯁꯤꯟ পুরকপগী মতম নকশিল্লকপা

# ৱারোইশিন পুরকপগী মতম নকশিল্লকপা

## হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম্না পিছ টোক্কী লাইবক লেপকদৌরি

লিশাং শীৎনা চৎথরক্লিবা নাগা পিছ টোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন অমা ওক্টোবর ৩১ ফাওবদা শোয়দনা পুরক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা হয়েং নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম-আইসাক মুইভা (এন এস সী এন-আই এম)গা ফোর্মেল ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্কদৌরি। হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি কাউন্সিল ওফ নাগালিম চর্চেসনা মরী লৈনবা পূন্নমক চরা হেন্দুনা লাইনীং-লাইশোলগী থৌরম পাঙথোক্লবা আপিল তৌখ্রে। পিছ টোক্কী ইন্টরলোক্যুটরসু ওইরিবা নাগালেন্দগী গভর্ণর আর এন রবিনা ঙরাং সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং অমদি চীফ সেক্রেটরি য়াওবা মীফম অমা পাঙথোক্লগা হৌজিক ওইরক্লিবা সিক্যুরিটিগী মতাংদা খন্নবা লৈখ্রবনি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনবু চপ যুংনা তৌগে হায়না খল্লবদি অপান্থা মওংদা লৌখৎনিংবা থৌরাং অমা হেক্তা লৌখৎলকপা য়াবগী ফীভম লৈবা মরম্না নাগালেন্দগা য়ূমলোন্নরিবা ষ্টেটশিংগী মীয়ামদা পূক্নিং লৈতাহন্দবগী ফীভম লৈরি। কন্সটিট্যুসনগী অর্টিকল ৩৭০গী মখাদা অখন্নবা ঙাক্লৌ পীদুনা ষ্টেটকী থাক্তা মতম শাংনা লৈরম্বা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা হন্দক্তা সেন্টরনা লৌখৎখিবা থৌরাং অদুনা মরম ওইরগা মীয়ামগী পূক্নিংদা অমুক্কা হেন্না চিংনবা পোকহল্লে হায়বা য়াই। অথুবা মতমদা ন্যু দিল্লিনা নাগা পিছ টোক্কী মতাংদা অখন্নবা ৱাফম অমা লাউথোরকপা য়াই হায়না মিপাইনরিঙৈগী চৈরক্তা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর ওফিস (সী এম ও)না নিংথৌকাবা নুমীৎতা অখন্নবা ইন্সট্রক্সন অমা পীদুনা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট পূন্নমক হেদ ক্বার্টরস থাদোক্তনবা অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসল খূদিংমক ছুটি লৌদনবা খঙহনখ্রে। সী এম ওগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি সী খনয়াং ইমলোংনা দেপ্যুটি কম্মিস্নর, এদিসনেল দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমসুং সব দিবিজনেল ওফিসর পূন্নমক্তা থাখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না মখা তাবা য়াথং অমা ফংদ্রিবা ফাওবা দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসর পূন্নমক মশা-মশাগী থবক মফম থাদোক্তুনা চৎলোইদবনি হায়রি। সী এম ওগী য়াথং অসি অতৈ অতোপ্পা মখা থাবা ওফিসল পূন্নমক্তসু ময়েক শেংনা খঙহনবগা লোয়ননা ছুটিদা লৈখিবা ওফিসল পূন্নমক কৌখৎনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট খূদিংমক্তা খঙহনখি। চীফ মিনিষ্টর ওফিসতগী পীরক্লিবা য়াথং অসিগী মতুং ইন্না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী করিগুম্বা অখন্নবা থৌরাং খরা শোয়দনা লৌখৎলকপা য়াই হায়না থাজনরি।

নাগা পিছ টোক্কী ইন্টরলোক্যুটরসু ওইরিবা নাগালেন্দগী গভর্ণর আর এন রবিনা হৌখিবা ইরাই নুমীৎতা মীৎকুপ অমা ফাওবা পন্থবা তৌদনা নাগাগী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লবা সেন্টরনা চপ চাবা ফিরেপ লৌরে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। নাকল অনীমক্লা য়ানিংগদবা ৱারোলশিং য়াওবা ফাইনেল এগ্রীমেন্ট অমা শেম-শাবা লোইরে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক নাগাগী তোখায়বা ফিরাল অমসুং কন্সটিট্যুসনগী মতাংদা অয়াবা পীখিদবনা মরু ওইবা নাগা লালহৌলূপ, এন এস সী এন-আই এমনদি সেন্টরগী থৌরাংদা য়ানিংদবগী ঈঙ্গিৎ পীরকখি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা নাগালেন্দ প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এন পি সী সী)না হায়খি, ৱারী শানরিবা নাকল অনীমক্লা অরেম্বদা মতম মাঙহন্দুনা লৈবা মরম্না নাগা মীয়াম্বু নীংবা কায়হল্লে। এন দি পি পিনা লুচিংবা পি দি এ লৈঙাকপু মরাল শীরদুনা নাগালেন্দ প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কে থেরিনা হায়খি, ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা পূকচেল শেংবা মতৌ উৎলক্লবসু নাগালেন্দ লৈঙাক্লা মীচম-মীয়ামগী পূক্নিং ঈহুল খঙনা থবক তৌবা ঙমদ্রে। নাকল অমরোমদা নাগাগী তোখায়বা ফিরাল অমসুং কন্সটিট্যুসন লৈহনগদবনি হায়বা ফিরেপ হোংদনা লৈরিবা এন এস সী এন-আই এমনা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টপু মশাগী ৱা ঙাকপা ঙমদ্রে হায়না মরাল শীরক্লি। লূপ অসিগী ষ্টিয়রিং কম্মিটিগী কনভিনর রিটায়র্দ মেজর হুটোবি চিশিনা নোংমাইজিং নুমীৎতা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা হায়খি, নাগা মীয়ামগী সোভরেন রাইট শক খঙবীবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩দা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টতা খূৎয়েক পীখিবনি। তোপ-তোপ্পা নাগাগী পুৱারীদা য়ূম্ফম ওইরগা তোপ-তোপ্পা মওং অমদা ৱারোইশিন পুরক্লবগী মতাংদা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা মশাগী ৱা ঙাকপা ঙমদ্রে। এন এস সী এন-আই এমদি হৌজিকসু ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টতা য়াওবা ৱারোলশিং ঙাক্লা চৎনবগী ফিরেপ হোংবা লৈত্রি হায়নসু ষ্টিয়রিং কম্মিটিগী কনভিনরনা ফোঙদোকখি। নাগা খরবু ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদা লেপ্পুনা মশাগী শক্তম মাঙহন্নবা হোৎনরে হায়না মরাল শীরদুনা এন এস সী এন-আই এমনা হায়খি, মশাগী খূদোংচাবা খরা ফংনবগীদমক নাগা সেক্সন খরনা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টকী কাঙলূপ নাইবা থৌশিলদা অয়াবা পীরি। ইন্দিয়ানা নীং তম্লবা মতুংদা নাগাশিংনা অতৈ নিংথৌ পানবা লৈবাকশিংগী মতৌগুম ইন্দিয়ন যুনিয়নদা পূনশিনবগী ৱাফম অয়াবা পীখিদে। কুমজা ১৯৫১দা পাঙথোকখিবা প্লেবিসাইটতা নাগা চাদা ৯৯.৯না মরোমদোম নীংতম্না হিংজনবগী ভোট পীখি হায়নসু লূপ অসিনা ফোঙদোরকখি। ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা ঙাইঙমদবা পোলিটিকেল গ্রুপ য়াওরবদি মশানা খঙনা নিগোসিয়েসনদগী পোৎথাখিগদবনি হায়না পল্লদুনা এন এস সী এন-আই এমগী ষ্টিয়রিং কম্মিটিনা হায়খি, হৌজিকসু নাগা চাদা ৯৯.৯না কুমজা ১৯৫১গী প্লেবিসাইট শৌগৎলিবা মরম্না তোখায়বা ফিরাল অমসুং কন্সটিট্যুসনগী মতাংদা খোঙফম হন্দোকপা তৌরোই। অমরোমদা ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিনা হায়খি, ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টকী ফিরেপ ময়েক শেংনা খঙলবা এন এস সী এন-আই এমনা ওইরোইদবা ৱাফমদা মতম মাঙহন্দুনা লৈরে। মতৌ অসুম্না নাকল অনী চাউনা মোৎ খেন্নরে হায়বা ময়েক শেংনা খঙলবসু হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা এন এস সী এন-আস এম অমদি ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টকী অখন্নবা মীফমদা করি ৱারেপ লৌরক্কদগে হায়বা খঙদ্রিবনিনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম অমসুং ঙমখৈদা অকায়বা থোকহনগদবা থৌরাং লৌখৎলক্তনবা মরী লৈনবশিংদা ময়েক শেংনা খঙহলহৌবা চুমগনি।

### এদিটরদা থারকপা চিঠি

## ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসিদা পোলিটিক্সকী থোক থাক

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

মতম কয়াগী মমাঙদগী মণিপুরদা এন এস সী এন (আই-এম) অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা য়ান্না চুক্তি হেক চন্নরকপদগী তংদু লৈতাদবা ফীভম ঙাইহাক লৈতনা থোকহল্লিবা অসি মণিপুরদা কাঙলূপ ফুরুপ কয়ানা পূন্না খুন্দামিন্নরিবা মীওই খুদিংমক্লা পেন্দবা, চিংনবা, নুংঙাইতবা কয়া ফোংনা শিংনরক্লিবা অসি খাঙবা ঙস্বগী পনখৈ ৱাংমা লালক্লবনি হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি এন এস সী এন (আই-এম) অনীনা খঙফম থোকই। হৌজিক্তি মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক্লা, নাগালেন্দগী নাগাগীদমক্তা চোংথোরকপা লূপ (এন এস সী এন) অমনা মণিপুরগী পূন্না হিংমিন্নরিবা ফুরুপ কয়াবু খাইবুং-খাইবুং তাহন্নবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা মখল মখা কয়াগী লোবি চথদুনা লিশাং শিৎনা লাক্লিবসিদা মণিপুর মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট খঙনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থবক লৌখৎফম থোক্লে। মণিপুরগী চহী লিশীং অনী হেনবগী পুৱারী ইন্দিয়া লৈঙাক্তা হেন্না মমুৎ তানা খঙহনবীনবা মণিপুর লৈঙাক, সী এস ওগী লুচিংবশিং, পোলিটিকেল পার্টি পূন্নমক্লা খোঙফম চেৎনা হোৎনমিন্নবগী মতম থেংমল্লে হায়নীংই।

মণিপুরনা ইন্দিয়াদা কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দা হেক তিনখিবদগী ইন্দিয়াদা লৈঙাকখিবা পোলিটিকেল পার্টিনা মণিপুরবু য়াম্না থাক হন্থবা পার্ট (সী) গী থাক্তা কুমজা ১৯৫৬ ফাওবা থমখি। মীয়ামগী পেন্দবগী ঈহৌনা মরম ওইদুনা অমুক য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা থেমদুনা থল্লবা মতুংদা মণিপুরদা পোলিটিকেল পার্টি কয়াগী মচু শংবা তপ্না তপ্না হৌরকখি। অমরোমদা অসাম ষ্টেটতগী তোঙান্না খাইদোকখিবা সব-দিভিজন অনী হায়বদি তুয়েন্সাং অমদি নাগা হিলসপুনা নাগালেন্দ ষ্টেট ওইনা মণিপুরদগী হানন্না কুমজা ১৯৬৩দা পীথোকখি। অমরোমদা মণিপুর মীয়াম্না য়াম্না কন্না ঈহৌ তৌরবা মতুংদা কুমজা ১৯৭২দা মণিপুরবু ষ্টেট হুদ পীরে হায়না লাউথোরকখি। অদুবু মসি নাগালেন্দনা মণিপুরদগী চহী ৯ হান্ননা ষ্টেট ওইবা হানখ্রবনি। লুরিবদি দেমোক্রেসি চৎপা অচৌবা লৈবাক অমনি হায়না পোংজরিবা ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সকী তোঙান তোঙানবা পার্টি (য়ু পি এ/এন দি এ) কয়ানা লৈঙাল্লকপদা মণিপুর মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট খঙনা, ঈহৌ য়াওদনা লোইশিনখিবা য়াওদ্রি। মণিপুরদা মখল মখা কয়াগী ঈহৌ লৈখ্রে। খুদম ওইনা পল্লবদা, অর্ম ফোর্সেস স্পেসল পৱার এক্ট, মণিপুরী (মৈতৈ) লোল ৮-শুবা সেদ্যুল, আই এল পি, নাগা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট অমদি ইন্টিগ্রিটিদা শিংনরক্লিবা কয়া লোইশিন্দ্রিঙৈদা সী এ বিনা অমুক মণিপুর মীয়াম্বু মৈ চুররে। অসুম্না মণিপুর মীয়াম্না চহী লিশাং শিৎনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদা পেন্দবগী খোল্লাউ লাউরবসু মতম মতমগী ওইবা পোলিটিক্সকী থোক থাক তৌদুনা অপঙবা শীরি।

হৌজিক লুরিবা ৱাফমদি মণিপুর পিপল বিল ২০১৯ (১৭/১৮) প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী এসেন্ট পীয়ু হায়না তক্করিঙৈ চৈরক্তা মণিপুরদা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা নারোন্দা অতৎ-অখম লৈতনা চংশিল্লক্লিবা অসি কনানা থিংবা ঙম্মিবগে হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহংনি। মণিপুরদা মতম মতমগী পাল্লকপা লৈঙাকসু মতিং লৈনা মসিমদি ঐগী মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তনি হায়না থৌনা লৈনা ফম থাদোকপা ঙম্বা লুচিংপুরেল কনা য়াওখ্রবগে, সেন্টরগী য়াকা য়েংদুনা পুংলোন্দা জগোয় শাদুনা মতম লেনখিবদগী ঙসিদি মণিপুর অরেং-অরেং পুখদুনা অৱাৎপগী অৱাৎপা ঙাক্তা ঙাইশিল্লক্তুনা নিরগা চাবগী হৈনবী, অমরোমদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবগী নুংঙাইবা পাম্বা, শূনীংদবগী মীশিংনা য়ামখৎলক, মীতোপ মীয়ানচাশিংগী মফমদদি অপাৎপদা হয়িং তোংবগা চপ মান্নরে। ইরৈবাক্কীদমক্তা কনাগুম্বা অমত্তগী থৌইনশিন য়াওদবা পোলিটিকেল ব্রিন পৱার অমা শাগৎপা মথৌ তারে। লোয়ননা মাঙদা তারিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনা পীরক্কদবা চৈথেং খুদিংমক্কী মায়োক্তা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা মণিপুর লৈঙাক্লা চপ চাবা ফিরেপ লাউথোকপা/খঙহনবগী মতম থিনমল্লবনি।

*অদোমগী- য়ূমখাইবম ইনাওচা লুৱাং, তোপ মখা লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট*

# খুকউ শেনদৌরিসি কনা কনানো?

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

চহী কয়া চঙনা শানরকপা ৱারীগী মহয় শোয়দনা অথুবা মতমদা ফংলগনি হায়না থাজবা য়াবা মফমদগী পাউ থারক্লে। নাগা কাঙলুপ হায়গেরা নৎত্রগা হায়নীংবা অমা হেক্তা হায়গেরা ৱাখলগী মঙলান অমা শাগত্তুনা লাকখিবনি। নাগা তাবা লম মখৈ অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা এদমিনিষ্ট্রেটিভ অমগী ছাতিন মখাদা থুপমিন্নগনি হায়বা অচৌবা মঙ অদুমদি হন্দক্কী তানফম অসিদদি ওইথোক্কনি হায়বগী থাজবা খরা মাঙবগুম উরক্লে। অদুবু শাথিবা খোঙথাং অমা ওইনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা পান নাগা কলচরেল বোদি অমা শেম্বা ওটোনোমস কাউন্সিল অমনা মণিপুর অমদি অরুনাচল প্রদেশ শেল্লবা য়াবগী থাজবা লৈরে। মসিনা তুং কোয়না কয়া য়াম্না কায়বগে হায়বা ৱাফম অসি মুন্না খন্নহৌগদবনি। মসিদা নত্তনা হায়দোক্তবা, লাউথোক্তবা করি অমা লাক্কদগে হায়বা কনাসু হায়বা ঙমদে।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অসিগী মতাংদা করি করি কাঙলোন্দা অমদি করম্বা এজেন্দাদা ৱারী শানগদবনো হায়বা ৱাহৈ অমা ফাওবা হায়দোক্তনা লাকই। মীয়ামদা লৈঙাক অসিনা অচৌবা নমথাক অমা তৌদুনা লাকখিবনি। মরমদি ৱারী থেংখাং কয়ারক শানরবা অদুবু শানরিবা ৱারীদু করিসু য়াওদে, করিসু লৈতে হায়না অরোনবা ওইনা থম্নবা কন্না হোৎনখি। অদুবু মচিন্থোক মখাথোক, ৱারী শানরিবা মায়কৈ অনীগী নাকল নাম্মতগী ৱাফম খরা খরা অদুম হোরকপদুনা ৱাফম ওইথোরকপা য়াবা ৱাফমশিং মথি ফোঙলকই। হৌজিক করি লাকতৌরিবনো হায়বা ঙমদ্রবসু করিগুম্বা খরা তৌগদৌরে হায়বা অসিদি য়াম্না নাখৈ শেংলে। আর্মি অমদি অতৈ মথৌ তাবা কয়া হৌজিক থাজিল্লক্তুনা শেম শাবা হৌবা মানবা মতৌ খরাদি ইরায় লায়না উবা ফংলে। লানগী এরোপ্লেন অহুম/মরি খামদুনা লৈরি। তোয়না পাইবসু উরি। আর্মি অহেনবা নাগালেন্দদা থাজিন্দুনা ঙাক শেনবগী থবক কনখৎলকপগী পাউসু লৈরি। পূন্নমকশিং অসিনা করিনো অমগী পাউখোঙ অমা ইচন চন্দবদৌনা তৌরি। অহানবদা ৱারী অসি নম্বেবর ১৫ ফাওবদা লোইশিনগনি হায়রম্মী। হৌজিক্লা অমুক ওক্তোবর ৩১ ফাওবদা লোইশিনগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইন্টরলোক্যুটর ওইরিবা নাগালেন্দগী গভর্ণর ওইনসু থৌ পুরিবা আর এন রবিনা মীয়াম্বু নোংমৈনা কিহন খংহন্দুনা নমথদুনা থম্বা য়ারোই হায়বা ৱাফম পল্লদুনা মিদিয়াদা ফোঙদোকখ্রে। ৱাফমশিং অদুগী মরুমদা করি লৈরিবগে হায়বা অসিসু অরুবা অমনি। নহানমখৈ হায়রমদবা ৱাফম খরা হায়রক্লিবা অসিনা তাকপদি করিগুম্বা খরদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী তৌগদৌরে হায়বা অসিনি। হৌজিক ইনৌ নৌবা খোঙথাং অমা ওইনা মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম অমদি লুচিংবশিং অসিনা করি অনৌবা মীৎয়েং অমা য়েংদুনা করি খোঙথাং লৌগদগে হায়বা ৱাফম অদু মতম চানা খন্নহৌবা ফবনি। মতম লৈরিঙৈদদি কৈসু তৌরোই, কৈসু তৌরোই হায়না য়াম্না খঙ হৈরবা কয়ানা য়াম্না হায়নখিবা ৱা মী পূন্নমক্লা তানহৌই। মশকসু লোইনা খঙনরি।

করিগুম্বা কৈমত্তা তৌরোই হায়দুনা কৈ কৈনো তৌরক্লদি মদুগী রেস্পোন্সিবিলিটি অদু কান্না পুগনি। মতম মতমগী ওইনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা ৱা খরা মীবু পঙথনবা পংহাই হায়বসি তোক্কদবনি হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না হায়দুনতা লাকই। অদুবু মশিংখা থোক্লা য়াম্না কন্না কন্না হায়বা মী য়াম্না লৈখি। থোইদোকপা অকায়বা য়াওদ্রবদি ফৈ, অকায়বা য়াওনরক্লবদি শোয়দনা ৱা থোক্লরক্কনি। অদুনা খুকউ শেনদবা য়ারোই।

অমরোমদা, ঙসি হায়বা ৱাফম লোমদা পুনশিন্দুনা থবক তৌরকখিবা ময়াম অমসু হৌজিক্তি অনৌবা ৱাখল শোয়দনা খঙন্নরমগনি। মখোয়না মঙলম্বা মঙ অমদি মখোয়না পামজবা কয়া মথক মখা ওন্নরকপা য়াবগী থাজবসু লৈ। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অসিগী অঙকপা থৌশিল খরা ঐখোয় খুদিংমক্লা ইফোং ফোংনা উনখ্রবা ঙাক্তনি। শেল ময়েক য়াওবা নোট খরা চৎনররোই হায়বসি নুমিদাং অমদা অদুম থোকখিবা থবক্লি। মদু কনানসু ফৈ ফত্তে হায়নবগী তাঞ্জা অমফাওবা পীখিবা লৈখিদে। কাশ্মিরদা থোকখিবা থৌদোক অদুসু অহিং অমদা থোকখিবা থৌদোক্লি। সজি 'কেল ষ্ট্রাইক অমা তৌখিবা অদুসু অহিং নোংয়াই মতুংদা খুদক্তা তৌখিবা ঙাক্তনি। কনানসু অসিগুম্বা থৌদোক অমা থোক্লগনি হায়বগী ৱা অমত্তা খঙনখিবা লৈতে। হন্দক লাক্কদৌরিবা অসিমসু অহিং অমদা করি ফীভম ওইরক্কদগে হায়বা অসি খঙবা ঙমদ্রি। তৌরক্লিবা থবক অদুদা য়ানীংবা য়ানীংদবা ৱাফম থমলুবা খুদিংমক চৈরাক পীবগী থবক্তা লাকপসু য়াই। মসি মমাঙদা কাশ্মিরদা থোকখিবা থৌদোক্তা মীয়াম্না ইফোং ফোংনা উনরবা ঙাক্তনি। হৌজিকসু এক্সন অদুগী মায়োক্তা ৱা হায়রুবা অমদি হায়রক্কনি হায়না খনবা কয়া অমা ফাজিন্দুনা থল্লিবা অসিনি।

মণিপুরদা পুন্না খুন্দা লৈতামিন্নদুনা লৈমিন্নরিবা চীংমী তম্মী পূন্নমক্কী পূক্নিংদা হৌজিক অসি য়াম্না লাংতক্লবা মতম অমা ওইরি। হরাও হরাওনা মতম কয়া লৈমিন্নরক্লবশিং অসিগী মরক্তা লৈঙাক্কী লুচিংবশিং অসিনা ওন্ন তৈনবদা খরা তৌরক্লবদি হায়না নিনফু নিনফু ঙাঙনবা লৈরি। নাগাগী লম, মৈতৈগী লম, কুকিগী লম হায়না মণিপুরদা অমত্তা লৈতে। মসিদি অপূনবনি। অপূনবা লম অসিদা নাগা অমদি কুকি কাঙবুনা সিদি নাগী লমনি, সিনা কুকিগী লমনি হায়না খায়দোক্তুনা থম্নরি। অদুনা কুকিগী লমদা নাগা তাবা ময়াম অমা য়াওরি। নাগাগী লমনি হায়না হায়রিবসিগী মনুংদা কুকি ময়াম অমা তাবসু লৈরি। মসিনা করম্না ৱায়েনগদৌরিবা? মসি নাখৈ শেংনবগীদমক মতম খরগী মমাঙদা quite notice থোক্লদুনা কির কিরবা থৌদোক কয়া থোকখিবা লৈখ্রে। মসিনা ইনৌ নৌবা কাঙলুপকী ওইবা ঈরাং অমা থোরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে।

অদুনদি হৌজিক লাক্লিবা ফীভম অসিদা খুকউ শেনদৌরিসি কনা কনানো? মৈতৈনা শেনগদৌরিব্রা, নাগা নৎত্রগা কুকিনা শেনগদৌরিব্রা? মরু ওইনা হন্দক্কী গভর্ণমেন্টকী থৌরাং অসিদা টার্গেট তৌরকপা য়াবসি মণিপুররা নাগালেন্দলা। মণিপুরদসু ঈরাং হৌরক্কনি হায়বগী চিংনবা মখোয়দা লৈবা মাল্লি অমদি নাগালেন্দদসু ঈরাং হৌরক্কনি হায়বগী চিংনবা লৈরি। অদুনা ঈরাং হৌরক্লিবা পূন্নমক করম্না মখোয়না থেমজিনগদৌরিগে হায়বসে চুম্নগী ৱাহৈনা নৎত্রগা খূৎলায়না তৌরক্কদ্রা হায়বসু হায়বা ঙমদে। হৌজিক মমাঙ মমাঙদা অমুক্তা উদ্রিবা মওংদা লৌ-খৎলক্লিবা চেকশিন থৌরাং অসি কিনিংঙাইদি য়াম্না ওইরি। ●

# ফিজিক্স নোবেল প্রাইজ ২০১৯

## (য়ুনিভর্সকী য়াওল খঙহনখিবা অমসুং নুমিৎকুম্বা থৱান্মীচাক্তা কোয়দুনা চৎলিবা এক্সোপ্লানেট পুথোকখিবগীদমক)


জেমস পীবলস | দিদিয়র ক্যুলো | মিচেল মেয়োর

চৎলিবা চহী অসিগী ফিজিক্স নোবেল প্রাইজ অসি পূন্না ফিজিসিষ্ট অহুমদা পীরগনি : মনাসিগী তঙ্খায় অমনা *জেমস পীবলস*দা 'ফিজিকেল কোস্মোলোজিগী থিওরিশিং পুথোকখিবা' অদুগীদমক পীগনি, অদুগা লেমহৌরিবা তঙ্খায় অদুনা 'নুমিৎকুম্বা থৱান্মীচাক অমদা কোয়দুনা চৎলিবা এক্সোপ্লানেট পুথোকখিবা' *মিচেল মেয়োর* অমসুং *দিদিয়র ক্যুলো*দা পূন্না পীরগনি হায়না রোয়ল স্বিদিশ একাদেমি ওফ সাইন্সেসনা ওক্টোবর ৮দা লাউথোকখ্রে।

হৌখিবা চহী য়াঙ্খেরোমসি য়ুনিভর্সকী হৌরকফম অমসুং য়াওলগী মরমদা নৈনরিবা, 'কোস্মোলোজি' গী সনাগী চক্লি হায়না শিংথানৈ। কুমজা ১৯৬০গী মতমদা মসিগী য়ূম্ফমসি থোনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবদি জেমস পীবলসনি; মহাক্লা চপ চাবা খুদম চাংদম লৈতবা কাস্মোলোজিবু সাইন্টিফিক মেপ্তা পুশিল্লকপা ঙমহনখি। ঙল্লিঙৈ মতমদদি য়ুনিভর্সসি লেংদে অদুগা হৌরকপা অমসুং লোইখিবা লৈরোই হায়না খন্নরম্মী। কুমজা ১৯২০গী অদুৱাইদা এষ্ট্রোনোমরশিংনা য়ুনিভর্সতা লৈরিবা গেলেক্সিশিংসি অমগা অমগা লাপথোক্লে অদুগা ঐখোয়দগীসু লাপথোকখি হায়বা খঙলকখি। ঙসি ওইরিবা য়ুনিভর্স অসি হান্নদগী তোঙাল্লবনি অদুগা মতুংদসু ঙসিদগী তোঙানখিগনি। ঙল্লিঙৈ মতমদদি য়ুনিভর্সসি য়াম্না শারম্মী অদুগা কুংসু কুংলম্মী। চাওরাক্লা চহী বিলিয়ন ১৪গী মতুংদা মসিগী শাবগী চাংসি এবসোলুট জিরো (-২৭৩°সি) মুক্তা হন্থরকখি।

য়ুনিভর্স শেল্লকপা (বিগ বেং-অঙকপা পোকখায়বা অমা) দগী ঙাল্লকখিবদু কুমজা ১৯৭৮দা নোবেল প্রাইজ ফংখিবা *অর্নো* অমসুং *পেঞ্জিয়স রোবর্ট ৱিলসন* অনীনা ইহান হান্না থেংনখি। অদুবু মখোয়না মখোয়গী এন্টিনানা স্পেসকী মফম খুদিংমক্তগী ফংলকখিবা মতম চূপ্পদা ফংবা 'নোইস' তু করিনা থোকহনবনো হায়বদি খঙলমদে। অদুনা মখোয়না অতোপ্পা এষ্ট্রোনোমরশিংদা মীৎয়েং থল্লকখি। মতমসিদা জেমস পীবলসনা অসিগুম্বা বেকগ্রাউন্দ রেদিএসন অসিগী থিওরিগী অঙ্কশিং পুথোরকখি। রেদিএসন অদুগী শাবগী চাং খঙলবদি বিগ বেংদা মেট্টর কয়া য়াম্না শেল্লকখি অদুগা মেট্টরশিংদুনা পুনশিন্নরগা করম্না গেলেক্সিশিং শেল্লকই হায়বসু খঙলগনি হায়বসি পীবলসনা খল্লকখি। য়ুনিভর্সনা ঙাল্লম্লগা ঈংথরকপসিদা থাদোরকখিবা রেদিএসনশিংদা থোকখিবা অহোংবা কয়াদুদা মশীং থিঙমদ্রবা খুদম চাংদমশিং য়াওরিবনি। জেমস পীবলসনা অসিগুম্বা খুদম চাংদমশিং অসিগী ৱাহন্থোক পীবদা লমজিংলকখি। বেকগ্রাউন্দ রেদিএসন্দা থোকখিবা অহোংবশিংদু ৱাখলনা শাগৎপা ঙল্লকখি অদুগা করম্না মখোয়দুনা য়ুনিভর্সকী মেট্টর অমসুং এনর্জিদা অহোংবশিং থোকহল্লকপগে হায়বা খঙলকখি।

গেলেক্সিশিংনা উংবগী স্পীদশিং ওনবদগী গেলেক্সি অমগা অমগা উবা ঙমদবা মেট্টর (দার্ক মেট্টর) দগী গ্রেভিটিনা ফাজিন্নদুনা থম্মী। অদুবু দার্ক মেট্টরসি করম্না শেল্লিবনো হায়বসি অঙকপা ওইদুনা লৈরকখি। কুমজা ১৯৮২দা, পীবলসনা অঙীংবা দার্ক মেট্টরদা অরূম্বা অমসুং অয়াঙবা পার্টিকলশিং য়াওরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোরকখি। রেদিএসন বেকগ্রাউন্দ ওনবা অমসুং থিওরিনা শাগৎলকপশিংনা তাক্লিবদি য়ুনিভর্স অসি ইপাক পাকই। অদুমকপু, য়ুনিভর্সকী চাদা ৫না অচম্বা পোৎশিংনি, চাদা ২৬না দার্ক মেট্টরনি। মসিগী অয়াম্বা শরুক হায়বদি চাদা ৬৯দি করিনো হায়বা খঙবা ঙল্লমদে। কুমজা ১৯৮৪দা, জেমস পীবলসনা লেমহৌরিবা শরুক অদু দার্ক এনর্জিনি হায়না ফোঙদোরকখি। অদুনা দার্ক এনর্জি, দার্ক মেট্টর অমসুং অচম্বা মেট্টর পুল্লগা য়ুনিভর্স পাকই হায়বসি শৌগৎলকখি। অসিগুম্বা থবকশিং অসিগীদমক পীবলসনা নোবেল প্রাইজগী তঙ্খাই অমা ফংগদৌরিবনি।

হৌজিক্তি নুমিৎ (থৱান্মীচাক) অমসুং মাগী প্লানেটশিংখক্তা নত্তনা, অতোপ্পা থৱান্মীচাকশিংগীসু প্লানেট লৈ হায়বসি খঙনরে। অদুগুম্বা প্লানেট (এক্সোপ্লানেট) ৪০০০দগী হেন্না মশক খঙদোকপা ঙল্লে। মিচেল মেয়োর অমসুং দিদিয়র ক্যুলোনা ইহান হানবা এক্সোপ্লানেট পুথোকপগী পাউদমসু কুমজা ১৯৯৫গী ওক্টোবর ৬তা ফ্লোরেন্স (ইটালি) তা ফমখিবা এষ্ট্রোনোমিগী কনফরেন্সতা লাউথোকখি। '৫১ পেগাসি বি' হায়না খঙনবা

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**

এক্সোপ্লানেট অদুনা '৫১ পেগাসি' হায়না খঙনবা থৱান্মীচাক্কী অকোয়বদা থুনা চৎলি; মসি মালেমদগী লাইট য়র ৫০ লাপ্পী, হায়বদি থৱান্মীচাক অদুদগী লাকপা মঙালনা মালেম য়ৌরকপদা চহী ৫০ চংই। ৫১ পেগাসি বিনা মাগী থৱান্মীচাক্তুদা অমুক্তং কোয়বদা নুমিৎ মরিখক্তং চংই; থৱান্মীচাক্তুদগী কিলোমিটর মিলিয়ন ৮ খক্তমক লাপ্পী; শাবগী চাংনা ১০০০°সীদগী হেল্লি। ঐখোয়গী মালেমদি নুমিত্তগী কিলোমিটর মিলিয়ন ১৫০ লাপ্পী।

৫১ পেগাসি বি পুথোরকপা মতমদা মালেমগী এষ্ট্রোনোমরশিংদা চিংনবা পোক্লখি। অদুবু অমেরিকাগী এষ্ট্রোনোমর *পোল বটলর* অমসুং *জিওফ্রি মার্সি* অনীনা মেয়োর অমসুং ক্যুলোনা পুথোক্লিবা এক্সোপ্লানেটতু চুম্মী হায়না ফোঙদোরকখি। এক্সোপ্লানেট অমবু পুথোক্লবা হোৎনবদা সোফিষ্টিকেটেদ মেথদশিং চংই - প্লানেটশিংগী মশাগী মঙাল লৈজদে, অদুবু মখোয়না থৱান্মীচাক্তুগী মঙালদুবুদি থক্তোরকই। থক্তোরক্লিবা মঙালদু থৱান্মীচাক্কী মঙালদুদগী ঙানবগী চাং য়াম্না হন্থবনিনা, থৱান্মীচাক্তুগী অরংবা মঙালদুনা মরম ওইরগা য়াম্না লাপ্পা মফমদগী পাক হেক উবা ঙমদে। মেয়োর অমসুং ক্যুলোনা শীজিন্নখিবা মেথদতু রেদিএল ভেলোসিটি মেথদ কৌই; মসিনা প্লানেটতুগী গ্রেভিটিনা থৱান্মীচাক্তুবু লেংহল্লিবদি ওল্লি। প্লানেটতুনা থৱান্মীচাক্তুগী অকোয়বদা কোয়দুনা চৎপদা, থৱান্মীচাক্তু খজিক খজিক লেংই-মখোয় অনীমক্লা কম্মন ওইবা সেন্টর ওফ গ্রেভিটি অমগী অকোয়বদা লেংই। অসুম্না চৎপগী স্পীদ, রেদিএল ভেলোসিটিদু দোপ্পলর ইফেক্ট শীজিন্নরগা ওল্লি। ইফেক্ট অসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়রোমদা নকশিল্লক্লিবা পোৎ অমদগী লাকপা মঙালদু হিগোক মচু ওইশিল্লকই অদুগা পোৎতুনা ঐখোয়দগী লাপথোকখ্রবদি ঙাংশিল্লকই। অসুম্না গাড়ী অমনা ঐখোয়রোমদা নকশিল্লকপদা মখোলদু হৌগৎলকই অদুগা লাপথোকখ্রগনা শিথখি। অদুনা থৱান্মীচাক্তুনা লাপথোকখ্রগা ঙাংশিল্লকই অদুগা নকশিল্লক্লগা হিগোক ওইশিল্লকই। অসুম্না মচু হোংবসি থৱান্মীচাক্তুগী মঙালগী ৱেভলেংথ ওল্লগা চুম্না পুথোকপা ঙম্মী।

মতমসিদা থেংনখিবা খ্বাইদগী খুদোংচাদবা অমদি রেদিএল ভেলোসিটিদু হায়নীংঙাই লৈতনা পিকপা অদুনি। খুদম ওইনা, জুপিটরগী গ্রেভিটিনা নুমিৎপু ১২ মিটর/সেকেন্দ লেংহল্লি, অদুগা মালেমনদি ০.০৯ মিটর/সেকেন্দ লেংহল্লি। অসিগুম্বা রেদিএল ভেলোসিটি খঙবা ঙম্বা খূৎলায় শাবা হায়বসি অরুবা অমা ওইরম্মী। কুমজা ১৯৭৭তা, মিচেলনা রেদিএল ভেলোসিটিবু ৩০০ মিটর/সেকেন্দ ফাওবা ওইবা ঙম্বা স্পেক্ট্রোগ্রাফ অমা মহাক্কী টেলিস্কোপ্তা হাপচিনবা ঙমখি; মতমদুদা মসিগী সেন্সিটিভিটিসি খ্বাইদগী ৱাংলবনি। মসিগী মতুং তারকপদা, দিদিয়র ক্যুলোদা হেন্না ফবা খূৎলায়শিং শানবগী থৌদাং শীন্নরম্মী। মহাক্লা অনৌবা টেক্নোলোজিশিং শীজিন্নদুনা ভেলোসিটি ১০-১৫ মিটর/সেকেন্দ ফাওবা পুথোকপা ঙম্বা স্পেক্ট্রোগ্রাফ অমা কুমজা ১৯৯৪গী হৌগৎলকপদা লোইশিনবা ঙমখি। অসিগুম্বা খূৎলায়শিং শীজিন্নরগা, মখোয় অনীনা এক্সোপ্লানেটপু ইহান হান্না পুথোকপা ঙমখি, অদুবু মখোয়না ফংলিবা মচাক-মথুমশিংদু হন্না-হন্না অশোয়-অঙাম য়েংলবা তুংদা কুমজা ১৯৯৫গী ওক্টোবর থাদা লাউথোকখি। মরুওইরবা থবকশিং অসিগীদমক, মিচেল মেয়োর অমসুং দিদিয়র ক্যুলোনা নোবেল প্রাইজ লৌগদৌরিবনি। ●



৫১ পেগাসিসগী লৈফম তাকপা শক্তম